# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-01-2026)**

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ তরুকনি অসিদা কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাউরাকা একর ৩০৬ পাক চাউবা মফমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্স্না নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি) অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকা খুৎশমদুনা সাইকুল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পোপী পান্বীশিং অদু থারম্বা থেংনখিবনি। মফমশিং অদুদা লৈরম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎপদা নত্তনা লৌতাংশঙ ৪৩, ঈশিং চাইনবা স্প্রে পম্পশিং য়াওনা পাইপকী পোৎলমশিং অমদি পোপী পান্বী থাবদা শিজিন্নবা থম্লম্বা থুম অমদি তোঙান তোঙানবা লৌ হিদাক কয়াসু সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা থুগায়দুনা মাঙহনখি হায়রি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা চিংগাট পুলিস ষ্টেসননা কোনবা টিদিম লম্বীগী মনুং চনবা বিহাংদা মনিপুর পুলিসনা কাণি কিলোগ্রাম ১৬.৬ ফারে। ফারবা মীওই অদু চুরাচান্দপুরগী ন্যু লমকাদা লৈবা বেংনুৰামগী জেট.এম.এ. লম্বীদগীনি হায়রি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** আইননা থিংখ্রবা লুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এ. অমদি প্রিপাক (প্রো) গী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্স্না ফারে।

আর.পি.এফ-পি.এল.এগীনি হায়বা মীওই অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা নিংথৌখোং খা খুনৌ মনিং লৈকাই ৱার্ড নম্বর ফোরদগীনি। মহাক মশাগী ময়ুমদগী সেক্যুরিতি ফোর্স্না ফাখিবনি হায়রি। প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অদুসু বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা চাইরেল অহল্লুপতা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা সেক্যুরিতি ফোর্স্না ফাবনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী খুগাদা উনাউ স্কিল দিবলপমেন্ট সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে। সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অমসুং স্কিল ইন্দিয়া মীসনগী মখাদা সেন্টর অসি হাংদোকখিবনি। সেন্টর অসিদা ক্লাস রুম অনি লৈ। মসিদা ফি তুবা অমদি সোব স্কিলগী ত্রেন্নিং পীগনি। অহানবগী বেটচতা মহৈরোই ৩০ শরুক য়ারি।

অমরোমদা, হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুরগী হেপিনেস হোম ওরফানেসতা তঙাইফদবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

**ভোটর (এল)ঃ** চহি খুদিংগী জানুৱারী ২৫ অসি নেসনেল ভোটর ডে হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু ইং ১৯৫০ দা লিংখৎখিববু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

কুমশি চহিগী ওইনা নেসনেল ভোটরস ডেগী হীরমনা-মাই ইন্দিয়া, মাই ভোট হায়বসিনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মনিপুরনা ক্লাস টুয়েল্ব পাস তৌরবশিং অমসুং অন্দর গ্রেজ্য়েট পাস তৌরবশিংগীদমক ওন লাইন এসে কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি। ওন লাইন কম্পিটিসন অসি ঙরাংদগী হৌরগা থা অসিগী ২১ ফাওবদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি। মকোক মথং তারবশিং নেসনেল ভোটরস ডে নুমিৎতা মনা খুৎশিন্নগনি।

**সেন্সিটাইজেসন (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা লাইকোই চীংদা অঙাং য়োকপা, পোক্সো অমসুং অঙাং লল্লোনবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-কাংপোকপীনা শিনবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসকী দি.পি.ও. মালা লিশম, সুপরভাইজরশিং অমদি অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিং শরুক য়াখি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, পোক্সো এক্টকী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না

খঙহন্নবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-বোড়ো পিছ্ একোর্ডনা জাতি কাংলুপ অসি চাউনা কান্নহনবতা নত্তনা নহা লিশিং কয়ামরুম হিংশা অমসুং খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিল্লকখ্রে।

গুৱাহাতিগী আরজন্ ভোগেশ্বর বরুৱা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা বোড়ো সংস্কৃত্তি থৌরম বাবুরুমবাথৌ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বোড়ো পিছ্ একোর্ড সহি তৌনখ্রবা মতুংদা বোড়োলেন্দ টেরিটোরিয়েল রিজন চাউখৎহন্নবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ১,৫০০ থাদখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনগনি অমসুং রেলগাড়ি অনি লমথাগনি। নগাউ জিলাগী কালিয়াবোরদা পাঙথোকপা থৌরমদা লুপা কোতি লিশিং ৬,৯৫০ চংনা পায়খৎকদবা কাজিরঙ্গা এলেভেটেদ কোরিদোর প্রোজেক্ট পায়খৎনবা যাত্রা হুনগনি। থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা অনৌবা অমৃত ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি অনি-কমাখ্য-রোটক অমৃত ভারত এক্সপ্রেস অমসুং দিব্রুগর-গোমতিনগর অমৃত ভারত এক্সপ্রেস লমথাগনি। কালিয়াবোরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দ ইয়ারপোর্ট অমসুং রেলৱেগী লমশিং লান্মীনা লৌশিনখিববু মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা নুংনাংবা ফোংদোরক্লি।

নাগালেন্দ সরকারগী পোলিটিকেল এফিয়ার্স কমিতিগী চুমুকেদিমাদা পাঙথোকখিবা মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রিওনা হায়-হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্কী সরকারনা মরী লৈনবা মন্ত্রালয়শিংগা ৱারী শান্নদুনা করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নগনি। মহাকা হায়-আর্মদ ফোর্সেসশিংনা মফম অদুদগী চৎলো হায়বা য়াদ্রবদি রাজ্য অদুদা অনৌবা ইয়ারপোর্ট অমা শেমগৎনবা মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোকপা তাই।

উপ মুখ্য মন্ত্রি-টি.আর. জেলিয়াংনা হায়-পোলিটিকেল এফিয়ার্স কমিতিনা নাগা পোলিটিকেল ইশুগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। নাগাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী তঙাইফদবা অদু পল্লদুনা শ্রী জেলিয়াংনা নাগাশিংগী ওইবা অপুনবা প্লেটফোম অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা শিখিবা মাওইষ্ট মরি শুখ্রে। শিরবশিংগী মনুংদা নুপী মাওইষ্ট অমা য়াওরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎ থোকফমদগী এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা য়াওনা রাইফল অনি ফংখি।

বিজাপুরগী এস.পি. ডা: জিতেন্দ্র যাদবনা হায়-দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ, কোব্রা বটালিয়ন অমসুং স্পিসিএল টাক্স ফোর্সন অককবা পাউ অমা ফংবদগী জিলা অদুগী অৱাং নোংচুপ থংবা চীংগী শরুক্তা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি। নাকল অনিগী মরক্তা খুৎ থোকরবা মতুং ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মাওইষ্টকী অশিবা হকচাং অনি ফংখিবনি। মদুগী তুংদা, অতোপ্পা হকচাং অনি অমগসু ফংখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বিরেননা অমৃত সাহগা উন্নখ্রে, পি.আরগী মপুন্সি লোইদ্রিঙৈদা অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী ৱাফম সেন্টরনা য়ারে, চপ চাবা মতমদি লেপত্রি হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি পোকফমদনা এক্স-সি.এম. বিরেন অমসুং অমৃত সাহ ক্লোজ দোরদা মিনিট ৪৫ রোম ৱারী শান্নখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি।

নহারোলগী থৌদাংদনা বিরেন অমৃত সাহগা উন্নখ্রে। ঙসি ইম্ফাল থোরক্লগনি। বিশ্বজিৎ ইম্ফাল থোরকখ্রে। বি.জে.পিগী নেসনেল এগজিক্যুটিব মীফম য়াওবা অমুক চৎকদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি

পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেসকী মনিপুরি এদিসনদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

তোখান শাহ্নুা চেয়ার লৌদুনা মনিপুরদা পায়খৎলিবা স্কিমশিং রিভিয়ু তৌখ্রে। ষ্টেটকী মায়কৈদগী মতম চানা থবক লোয়শিন্দবগী ৱারোল থমখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইনি। পাউ অসি মনিপুর মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

এস.টি. লিষ্টতগী এনি কুকি ত্রাইব লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়না থাদৌ ইনপী মনিপুরনা থল্লকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন য়াওনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী অহানবা কনভোকেসন পাঙথোকখ্রে। চহি ৯ খক্তা ঙায়রিবা য়ুনিভরসিতি অসি তপা তপা মপুং মরৈ ফারক্তুনা অহানবা কনভোকেসন পাঙথোক্লিবসি মনিপুরগী চাউথোকচনিংঙাইনি হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

জোইন্ট ত্রাইবেল কাউন্সিলনা কৌরিবা বন্দ শাংদোকবা ৱারেপ লৌখ্রে। নাগা তাবা মফমশিংদা কুকি চংবা য়াখিরোই হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

এরেষ্ট ৱারেন্ট থিনবা চৎলুবা পুলিস ওফিসার থাঙনা থিল্লক্লে, চেন্নবা ফারে, তরেনি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইননি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মঙা সুপরস্পিসিলিতি থাক্তা শেমগৎলগনি হায়না হেলথ দাইরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিশুবা

হেদলাইন ওইরি।

চাকচা হৈজানরগ, শেল লৌরগা থাগৎখিবা মীহুৎনা য়ামশিল্লকপদগী মনিপুর ৱারিবনি হায়না এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।